# মণিপুরগী ওগষ্ট ১৩ নীংশিংলুবা

ঙরাং ওগষ্ট ১৩নি। অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ! পেত্রিওটস-দে! অতোপ্পা ৱাহৈদা হায়রগা 'মরৈবাক নীংবশিংগী নুমিৎ'। ঙরাংগী নুমিৎ'তুখক্তদা নত্তে নুমিৎ'সিগা মরী লৈননা, 'মরৈবাক নীংবা-অথৌবা' হায়বা ৱাহৈসিগা মরী লৈননা ৱাখলসিদা মওন-মওন খল্লক্লিবসি কুইরক্লে। খনবতা নত্তে ৱা ওইনসু হায়দোক্লুবদগী মরুপ-মপাঙ খরগা চীন্দা-পাউদানদুনা ৱাফংনবসু য়াওখ্রবনি। ঐবু, মীয়াম্না খন্নবা ৱাখলদগী ওন্ন-তৈননা খনগনবা, পেসিমিষ্ট ওইবা মী অমনি হায়না চার্জ তৌবীবসু য়াওখ্রবনি। অদুবু অশেংবদি, ঐগী ৱাখলসি পেসিমিষ্টিক ওইবদি নত্তে। ওপটিমিষ্টিক ওইমনবদগী, অচুম্বগা তায়ওন্নবা থেঙ্খাং কয়া থেংনরকপদুদা ওল্লকখিবা ৱাখলনি। মণিপুরগী ওগষ্ট ১৩, পেত্রিওটস দে (মরৈবাক নীংবশিংগী নুমিৎ) মিংথোনবনা চুম্বরা? নৎত্রগা, 'মার্টিয়র্স-দে' মা:ত্য হায়না খোম্থোক্লবা, (মরৈবাক্কীদমক মথ্বায় কৎখ্রবশিংগী নুমিৎ) হায়না ওম্থোকপনা চুম্বরা? হায়বা ৱাখল অসিনি - ইদোম তূমিন, মকা-ফোংদনা খল্লকখিবা।

মরৈবাক-মরমদম নুংশিবগী ৱাখল হায়বসিদি, ঙসিমক/হৌজিকমক হিংলিবা নঙ-ঐ-মহাক, ঐখোয় ময়ামসিগী মরক্তা কয়া অমগী ৱাখলদসু পোল্লমগনি। মীখা পোল্লবা মরৈবাক্কীদমক নুংশিবা ময়ূম থাদোক্লম', উমং ৱামংদা লৈদুনা য়েক্লবগা লান-থেংনখিবা লাল্লোয়শিংগা, অদুগুম্বা লাল্লোয়শিংদা মরৈবাক নুংশিবই ইথিল পীখিবা অশৈবশিংগা করিদবু খেন্নবগে! হায়নৈ - বঙ্কিম-চন্দ্র-চেত্তর্জি' গী 'আনন্দ-মঠ' কৌবা উপন্যাস'তুদা য়াওবা... 'বন্দে মাতরম-সুজলাম, সুফলাম'... হায়বা ঈশৈ অদুনা মরৈবাক নীংবা ভারত মচাশিংগী থম্মোয়দা অকনবা ইথিল পীখিবা, ইন্দিয়ন-ফ্রীদম-ষ্ট্রগল'দা ঈশৈসিনা অচৌবা মফম কনখিবদু নীংশিংদুনা 'ঈশৈ' সিবু 'নেসনল সোং ওফ ইন্দিয়া' হায়না ঙসি শকখঙলি। নেসনল এন্থেম 'জন গন মন'... গা মান্নবা থাক অমদা থল্লি মীয়াম্না। বঙ্কিমচন্দ্র অমদি রবিন্দ্রনাথ- সহীদ ওইখিবা ভগৎ সিংহ'না মরৈবাক নুংশিবা হেনবরা? মরৈবাক-মরমদম নুংশিবগী ৱাখলদি চেন্নরিবনি পূন্মক্কী মথম্মোয়দা, চিনবান লান্না ফোঙবা হৈতবগী ৱানি। ইরায় লায়বা খুদমনি- কনাগুম্বা অমগী ময়ূম-ইঙ্খোল মনুংদা চঙদুনা ঐনা/নঙনা চঙদুনা ইয়ুম শারুবা ঙমগদ্রা? নুপী-অঙাং, লৌরী-য়ূস্ফম-কা, শোল্লু' থেংলু' য়াদবা, শিফম-নাফম অততাইনি - হায়নরকই মমাঙদগী। মরন্নাই-হিন্দি ভিজ্যুঅল ওইবা ৱাখলসি ময়ামগী (কলেক্টিব) ওইবা ৱাখল ওম্থোকপদুনি পেত্রিওটিজম। পেত্রিওট (মরৈবাক নীংবা মী) হায়বসি কন্না নত্তে, মরৈবাক/মরমদমগী অপূনবা শক্তম, অমত্তা ওইবা মতৌ অদু থৌনা ফন্না মীয়াম মাঙদা উৎথোকপদা মাঙজিন থাবা, থৱায় পাম্মুদবা মীশক অদুনি। অদুগা, অথৌবা (মার্টিয়র) হায়বা অসিনা, মহাক্না থাজজবা ৱাখল্লোন - লৈবাক নীংবা, নৎত্রগা, পামজবা লাইনীংলোননচিংবা অমগীদমক অয়েৎ-অথিং কয়া মায়োক্নদুনা মথ্বায় ফাওবা চিংনদনা থাদোকখিবা মীশক অদুনি। অদুনা, ৱাখলসি মুন্না খনজিল্লুরগা, টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থাঙ্গাল - অনীবু ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিবা থৌওং অমদি ৱারী ৱাখুন নৈনরুবগা খন্দ'ঙমদ' খল্লকই - নুমিৎসিবু 'পেত্রিওটস দে' মিংথোনবনা চুম্বরা? নৎত্রগা 'মার্টিয়র্স-দে' হায়বনবু চুমগদ্রা?

১৮৯১, ওগষ্ট ১৩। নুমিত্তুদা, মতমদুগী মণিপুর-সনা-কোনুংদা নিংথৌগী মথঙ-খনবা (যুবরাজ) ওইরম্বা কোইরেংসনা (টিকেন্দ্রজিৎ) অমসুং লান্মী-মকোক (থাঙ্গাল জেনরেল) অনীবু বৃটিশ-ইন্দিয়ন-গভর্ণমেন্টকী মথক্তা লান হৌবগী মরাল লৈরে হায়দুনা মীয়াম মাঙদা, ফৈদাপুঙদা (ঙসিগী সহীদ মিনার লৈরিবা মফমসিদা) পুথোক্তুনা মঙক্তা থৌরী থুদুনা শিদ্রিফাওবা য়াল্লগা (ফাঁসি তৌদুনা) হাৎখি - হায়বা ৱাফমসিমদি ইতিহাসকী লমায়দা লাচন্দুনা লৈখ্রবা অচুম্বা অমনি। ঙসিগী মীরোলনা পাঙথোক্লিবা 'পেত্রিওটস-দে' - মখোয় অনীগী ৱারীদু নীংশিংনবখক্তগীরা? ১৮৯১গী এঙলো-মণিপুর-ৱার অদু থোক্লবগী ৱারু ওইখিবা থৌদোকশিং, লান'দু লোইরবা মতুং, বৃটিসনা 'কংলা' পায়শিনখ্রবা মতুংদা বৃটিসনা ৱায়েন (ত্রাইএল) চথরকখি। ত্রাইএলদুগী মহয়নি- মহারাজ কুল্লচন্দ্র'বুনা মরল-মথুম পুন্নমক মৎলগা অন্দমান ঈথৎকী জেলদা পুন্সি চূপ্পা লেনহনখিবা, টিকেন্দ্রজিৎ-থাঙ্গাল অনীবুনা চহীদুগী ওগষ্ট ১৩দা ফাঁসি তৌদুনা হাত্তোকপা। ৱায়েন'দুগী শরুক অমা ওইনা, মখোয় অনীগী মথক্তা, কৈশুমশঙ মনুংদা চহীদুমক্তদা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিবা পুখ্রম্বা কাজাও (মে ২৫), নিরঞ্জন সুবেদার (জুন ৮) অমসুং চিরাই নাগা (ওক্টোবর ১৩) অহুমসিবুদি ইতিহাসকী লৈরোন্নুংদা ফুমজিন্দুনা থম্বীখ্রে।



হৌখিবা চহী কয়াদগী, নুমিৎ অসি লাকপা খুদিং, ৱাখলসিদা খাম্বা য়াদবা ৱাখল অমা হেক হেক খল্লকই। মকা ফোংনা কনাদসু ফোঙদোক্লুবদি তৌখিদে। ১৮৫৭কী সিফাই-লানহৌ (সিপোয় ম্যুতিনি) দুদা য়াওখিবা ৩৪শুবা বেঙ্গল নেটিব ইনফেন্ত্রি (বি এন আই) গী সিফাই মঙ্গল-পান্দে'বু বৃটিস-ইষ্ট-ইন্দিয়া-কম্পেনিগী রুল্লরশিংনা মঙক্তা থৌরী থুদুনা মীয়াম মাঙদা হাৎখিবা থৌওংদুগী মতুংদদি 'মঙ্গল-পান্দে-মীহাৎ'দুনা মচোই মচোই তাদুনা লৈরম্বা ইন্দিয়নশিংবু পূনশিনহন্দুনা অপূনবা লিংজেল শাগত্তুনা বৃটিসশিংগী মথক্তা নীংতম-লানহৌ হৌনবগী মৈরী চূবা থৌদোক অমা ওইনা থোকখি। অফোংবা লান অমত্তা বৃটিস-ফোর্স অমদি ইন্দিয়ন-ফ্রীদম-ফাইটরশিংগগী মরক্তা শোক্লখিদ্রবসু হনবা লৈত্রবা ফ্রীদম-স্ত্রগল অমগী অহৌবদি ওইখিবনি। 'ৱার ওফ ইন্দিপেন্দেন্স' কৌবা লানফম অমত্তা শোক্লখিদ্রবসু লীশাং-শীৎপা-নীংতম-ঈহৌ (ইন্দিপেন্দেন্স মুভমেন্ট) অমদি চথখি। অন্দোলন'দুগী মহয়নি- ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭- 'ইন্দিপেন্দেন্স-দে'।

১৮৯১গী 'এঙলো-মণিপুর-ৱার' অদু শোক্লরুবগী মহয় ওইনা অথৌবা কয়াগী পুন্সি মাঙখি, মণিপুরগী ইতিহাস মায়ওন হোংখি, মণিপুর মীয়ামগী পুন্সিগী মশক/ফিদম হোংহনখি হায়বসিমদি চুম্বা তাই। ১৮৯১গী তুং, মণিপুরগী পোলিটিকিল এদমিনিষ্ট্রেসন'দা অঙকপা অহোংবা অমা লাকখি। নিংথৌ-লৈঙাক মখা চথজরবসু, বৃটিসশিংগী ইনদাইরেক্ট রুল ময়েক শেংলকখি। নিংথৌ পাল্লি হায়বতনি, বৃটিস-পোলিটিকিল-এজেন্ট' অমগী মীৎয়েংখাদা লৈবাক ঙাকপা তারকখি। মণিপুর ষ্টেট দরবারগী মতেংনা, মণিপুরগী নিংথৌনা তম্পাক লমদম ঙাল্লগা বৃটিস-পোলিটিকিল এজেন্ট'না চীংগী শরুক অদুগী লৈঙাকপা ওইরকখি। ঙসি, মণিপুরগী চীংমী তম্মী অনীগী মরক্তা থাজনদবা, লাপথোক্লবগী ফীভম অমা লাকখিবসি ১৮৯১দগী ১৯৪৭ ফাওবা, চহী ৫৬কী বৃটিস রুল অদুগী খুদোলনি। বৃটিসশিংগী মথক্তা লান-হৌবগী তোকখিসি, মখোয়না পায়খৎপা থৌশিলশিংগী মায়োক্তা খোঞ্জেল থোক্লা ৱাকৎনবগী থৌনা অদু ফাওবা মাঙখ্রবা ফুরুপ অমা ওইরকখি। ১৯০৫গী অহানবা 'নুপী-লান' অদুদা মীতে নুপী খরনা মীতে নুপীশিংগী হাকন'দা ঈহৌ অমদি হৌখিবরা? মরৈবাক/মরমদম'বু মীরান'চাশিংনা খুদুম চনখ্রনি কিবদগী অরোনবা নৎত্রগা অফোংবা লানহৌ চথখিবা/ঈহৌ অমা হৌখিব'নচিংবা থৌদোক অমত্তা থোকখিবগী পাউ, ঐনা হিষ্ট্রি খঙদবনরা, থেংনখিবা লৈতে ঙসিফাও। জন-নেতা ইরাবত থোক্লকখিবদি অতোপ্পা মখলগী ঈহৌ অমদনি, মরৈবাক মীখা পোনখিগদবগী অকিবা লৈবগী নত্তে। চহী ৫৬কী মতমদু, মরৈবাক্কীদমক মথ্বায় কৎখ্রবা থাঙ্গাল-টিকেন্দ্রজিৎ অনীবু নীংশিংদুনা পাঙথোকপা থৌরম অমত্তসু লৈখিদে। মখোয়বু কনানসু নীংশিংখিদে।

ওগষ্ট ১৩, অথৌবা-মরৈবাক-নীংবা মখোয়বু নীংশিংদুনা, তুফক-তুফাই চল্লবা লমদমসিগী মীয়ামদা মরৈবাক নুংশিবগী ইথিল পীবা হৌরকখিবা, টিকেন্দ্রজিৎ-থাঙ্গাল অনীবু ফুরুপসিগী অথৌবা/হীরো ওইনা থম্মোয়দা ঈরাৎপা হৌরকখিবদি ইম্ফাল ময়োন্দা লৈরিবা 'রুপমহল থিএটর' গী কলাকারশিংনা ১৯৫২দগী 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ' হায়না মিংথোনবা দ্রামা (মৈত্রম বীর' না ইবা) দুগী মপান্দগীনি। মণিপুরী থিএটরগী ইতিহাস'তা মূৎনাইদ্রবা মচুনা ইখ্রবা, অতোপ্পা দ্রামা-পর্ফোর্মেন্স অমত্তনা 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ' দ্রামা অসিগী মফম শিনবা ঙল্লরোইদবা পর্ফোর্মেন্স অমনি। দ্রামা'সিমক ইতিহাস অমনি। ১৯৭২, মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংবা চহীদুদগী পাঙথোকপা হৌখিবা 'পেত্রিওটস-দে' - ওগষ্ট ১৩, দ্রামা'সিগী মায় পাকপদুনা মরম ওইরগনি। রুপমহল থিএটরগী 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ' থোরক্লমদ্রবা, মণিপুরগী ইতিহাসতা 'ওগষ্ট ১৩' অকাউবগী লৈরোন্নুংদা চনখ্রবা নুমিৎ অমা ওইরম্লি। থাঙ্গাল, টিকেন্দ্রজিৎ, কাজাও, নিরঞ্জন, চিরাই নাগাগী মিং অমম্বা ইতিহাসকী জঙ্গলদা মাঙখ্রবা মিং শোয়দনমক্কী ওইরম্লি। ঙসিগী লৈঙাক অসিনা 'ওগষ্ট ১৩' গী হিষ্টরিকেল সিগ্নিফিকেন্স মশক খঙবীরগদি 'রুপমহল থিএটর' গী টিকেন্দ্রজিৎ দ্রামা'বুসু অখন্নবা মফম অমা পীফম থোকই।

২০২২ চহীসিগী ওগষ্ট ১৩দা শান্নখিবা রুপমহল থিএটর' গী 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ' কী পর্ফোর্মেন্স - ২৪২ অমসুং ২৪৩ শুবা পর্ফোর্মেন্সনি (অয়ুক পুং ৯.৩০ অমসুং নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০। চনী নিফুনিথোইশুবা অয়ূক্কী পর্ফোর্মেন্স অদু য়েংলুবদা মমাঙঙৈগী কাউরুরবা কোরৌশিংগী নীংশিং শক্তম মীৎমাঙসিদা চোংথোরক্তুনা তম্নরখি। ১৯৬০গী লোইশিল্লকপা অমসুং ১৯৭০গী হৌগৎলকপা মতমদুদা রুপমহলগী 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ' দ্রামাগী টিকেৎ এদভান্স বুক্কিং তৌহৌনবগীদমক্তা চয়োল অমগী মমাঙদা, হোল মমাঙদা লেপ্পখিবা শাংলবা মী পরেং। ওগষ্ট ১৩ শো নুমিত্তা ফম্নবা সিট ফংহৌদ্রবা অয়েংবশিং নাকলদা লেপ্তুনা য়েংনখিবশিং। অদুগা, ২৪২শুবা শো নুমিৎ'তুদনা য়ামখিদ্রবা সিটশিং অদু ফাওবা ফুন্নবা ঙমদ' হাঙলবা সিটশিং! উৎখিবা পর্ফোর্মেন্স অদুগী ক্বালিটি হন্থরকপগী নত্তে। অয়েংবশিংনা থিএটর-পর্ফোর্মেন্সশিংদগী লাপথোকখ্রিবসি করিদগীনো? থিএটর ৱার্করশিংনা কন্না নৈনরিবা সবজেক্ট অমনি।

মেজোর ক্যারেক্টর অয়াম্বা, অনৌবা এক্টরশিংনা মহুৎ শিল্লবা রুপমহল থিএটর'গী 'বীর টিকেন্দ্রজিৎ' - ক্লাসিক ওইখ্রবা, মেমোরি-লেন্দ'দা লৈখ্রবা অদুঙৈগী পর্ফোর্মেন্সশিংদগী থোইনা তাদে। পূক্লিং-ৱাখল অনীমকপু চহী ১৩২ মাঙগী মণিপুরদুদা পুদুনা চৎপা ঙম্মী।

*–ইন্দ্রকুমার*

# নঙগী খুনাম উবদা

নোংফাদোক্তসু হুরান হুরান লাক্কদ্রা খল্লুই। খম্ব্রাংচাক্লুম খুনিং কাঙনা কাঙনা তালনেৎননা জ গোয় শানা। কয়াদা কনখ্রবা পুকচেলনো। লাক্তে। লাক্তে লাক্তে। লাকপা কৌবা মরৈতে।

য়েন্নীংথাগী অয়ূক্তা। নুমিৎনা তরং তরং থোরকপদা। ফুগাইনা শাৎপা লৈরাংগী লৈনমদা। উচেক ৱায়াগী খোঞ্জেলগা লোয়ননা। লাক্কদবোই নীংই। মোমোন মোমোন নোক্তুনা। লাক্তে। লাক্তে লাক্তে। লাকপা কৌবা মরৈতে।

নোংজুথাগী কূংনা চুবা নোংলিক মরক্তা। নোংথাং খাকপগী খোম্থাংদা। শক্লোত্তুনা য়াওরক্কদবোই নীংলুই। লাক্তে। লাক্তে লাক্তে। লাকপা কৌবা মরৈতে।

পাখৎচৈ। মরক মরক্তা। লাক্তা লাক্লরোইদ্রা হায়দুনা। খল্লি। মরক মরক্তা। ঐনা ঙাইরিসিবু কনানো? ঐনা ঙাইরিসিবু করিনো? ঙাইরিনেনা ঙাইরিসিবু শকলোৎপা, শক্লাইদবা, শক্লোন য়াম্বা কনাগুম্বা অমরা? নৎত্রগা লৈতবা পোৎশক অমরা?

লৈবা লৈতবগী ৱাসি ঙাইখোদা। লৈতে করম্না হায়গনি। মীৎনা উবা ফংদ্রবসু, খূৎনা শোকপা য়াদ্রবসু লৈতে করম্না হায়গনি? ঐগী ৱাখলদা মা লৈ। ঐগী ৱাখলনা ঐবু মীনমগদ্রা?

শরৎকী ঈংনা ফজরবা নিক নিক লাউরবা থাবলদা। থাবলনা ঈপোম হৌবদা। মোং হাদনা লাক্কদবোই নীংই। মৌ অনৌবীগুম। থোঙ হাঙদোক্তুনা থম্মী। অনৌবা লৈ শিন্দোকই ফম্ফম কাদা খিনবা ঐগী গল্লা। লৈনমগা থাবলগা তোরো খোদানৈ। কনানা কনানো করিনো করিনো খঙদনা। অদুবু ঙম্মী। ঙম্মীকো। হন্না য়েংলদে। হন্নফাও হেক য়েংলদে।

আহ, ফজববু ঈরাৎচবা তাইবঙমীনা শোঞ্জবা শরৎকী থাবল! হে শরৎকী থাবল! আশা মাঙদ্রিবা থম্মোয়গী পোত্থাফম। কায়রবা থম্মোয়গী তাইনফম। পাখঙ লৈশাবীগী ওইনফম। নঙতনি যুগ কয়াগী নুংশি ৱারীগী শাক্ষি। খল্লুই অসুক কুইবসি নঙগী নপাল তাংজবনি শরৎকী থাবল। অদুবু ইপা পাখৎলি থাবলগী ঈপোম নেমথখিবদা। মপান্দা থোক্তুনা য়েংই। মচি অমদা লৈশিন্দুনা লৈরমগদবোই খল্লি। লৈরমদে। লৈরমদে। মচি অমদা কোক লৈরমদে।

চোকথরবা থৱায়না হংই। নাকেন্থাগী উনাগুম কেল্লক্কদ্রা নঙবু। উখাদা তরাম্না ওক্কদ্রা। কুইনা উনদ্রবা তুংসিদা। করিবু হায়না কৌসিবা। থোক্লবা অমা লাকচনি। লাক্তা লাকখিসনু ঙসিদি। লাক্তে। লাক্তে লাক্তে। লাকপা কৌবা মরৈতে।

নোংমা অয়ূক অঙনবদা উখি। নুংথিল পোবোপ অমদসু নোক্লম্মী। অমমম-অঙান শিন্নবা নুমিদাংৱাইরম অমদসু মুশি মুশি থাজদনা থেংনখি।

কুইরে। ফনা কুইরে।

ঙসিনা হৌজিক্লা মাঙখ্রে। মাঙখ্রে মাঙখ্রে। কদাইদনো? কদাইদা লৈখ্রবগে নঙবু? বিন্দু অমগী বিন্দুদা? কেকু লোৎলিব্রা? অসুক কুইনা কেকু লোৎপ্রা? ফোঙবা মতম ওইদ্রিবরা? সিদি কেকু লোৎপী শান্নবা মাল্লক্ত্রে। কিশিল্লক্লে। কিশিল্লক্লে ঐ। মরক মরক্তা।

নৌরিঙৈদা ঐনা উখিবা তাইবঙপানগী মশক! মঙ মঙহনখি। ঐবু মঙ মঙহনখি। খলহনখি : ঐনা হয়েং চাউরগা চাউরা য়াঙ্গোন ফারগা...। মঙ মঙজখিবা মশক নুংশিবা নুপামচাদুসু ঙসিদি থিবা খঙদনা মাঙখ্রে। মাঙখ্রে মাঙখ্রে। মানা মঙজখিবা মঙলান্দুসু মঙফাওনদনা লোইখ্রে। শাৎকাইবা ঙমদ্রবা অপোম্বা লৈরাংগুম কেমখ্রে। চোইজাইননা কেনখ্রে। অদুবু ঐ মঙ মঙবা জীবনি। মঙ মঙবা জীবনি।

আশাদি মাঙদ্রি।

পুন্সিগী অয়ূক্তদা থিবগী ৱা নত্তে। ঐনা চৎলিবা মফম খুদিংদা অয়ূক নুমিদাং হায়বা লৈতনা থিরিবনি। উববুদি পুন্সিগী অয়ূক্তা উখিবনি। কেকু লোৎখিবদগী ঙসি ফাওবা কেকু ফোঙদ্রিবনি।

আশাদি মাঙদ্রি।

ঙসি নৎত্রসু হয়েং। কনানা খঙনি। কদাইদনো নোংমা কোক হেক থেংনবসু। ঐগী তাইবঙপানদি অরোইবা লৈতে। অহৌবা নাইদে। মফমগী মখা পোন্দবা মতমগী ৱাংমদা লৈবা থৱায় অমনি ঐ। শিরবসু হিংদুনতা লৈরবা। এটোম বোমগী মৈশাদা তুমদ্রবা। সমুদ্র তরেৎকী ঈশিংদা ঈরাক্লদ্রবা।

পুন্সিবু সিনা মরোইরব্রনে? লোইদে। লোইদে লোইদে। সিনা মরোইরে হায়বমা লৈতে। পুন্সিসি অমুক হাপচিনফম লৈত্রবা, ময়েং তাবা লৈত্রবা, থন্দুনা অদুম লৈরবা, মথন্তা মপূং ফাজরবা পোৎশক অমনি।

পুন্সিবু সিনা মরোইরব্রনে?

নোংমা য়েন্নীংথাগী লেক লেক লাউরবা মতমদা মা ফুক হৌগৎতুনা চৎখি। লৈশারিবী থম্মোয় অমা কোন্দুনা লৈশারিবী মখোঙ গম গম থাংদুনা চৎখি। চৎলমদাইদা হায়রম্মী 'ঐ চৎলে'। য়ানিংফাৎতনা ঐসু হায়খি 'ফরে অদুদি'। লৈহৌই ঐ ইহাঙ হাঙনা। অমুক লাক্লরোইদবোই নীংলুই পুন্সিগী য়েন্নীংথা। অদুবু য়েন্নীংথা অমগী ঈশৈনা পুন্সি চূপ্পগী য়েন্নীংথাগা শক্লবদি কদাইদগী য়াগদগে? কুম ওন্দে। লাকই। মোমোন নোক্লা মাঙ-তুঙ শম্নহন্দুনা। পাইববু নঙহৌদে খোইমুগী শাখপ্তা। ঐগী নুপীগী শক্তম লৌরকখি। মতম অমগী ৱারীদো ইনখৎলকপগী ঙাইহাক্কী নোংলৈ নুংশিৎকুম খল্লকখি।

খল্লি। মরক মরক্তা। কেকু লোৎখ্রিবসি য়াওন নাইবা মালেমগী খোঙচৎ নত্তে। য়েন্নীংথাগী শকফম নত্তে। নত্তে নত্তে কালেনগী মৈশা। নত্তে নীংথমথাগী অইংবসু। সি মঙায়রে হায়না পূক্লিংনা খোয়দাবা অকক্লবা পোৎশক অমতং ঐগী লৈতে। কেকু লোৎখ্রিবসি মি তাবা মীসু নত্তে। মশক মমিং নাইনা লৈবা থৱায় পানবা মী নত্তে।

করিনো অদুদি?

কনানো অদুদি?

'ঐ' য়াওদবা তাইবঙপান অমা লৈ হায়বা নোংমা খঙখি। 'ঐ' হায়বা মচুসিনা শঙজিনদ্রবা অশেংবা অওইবা অমা নুমিদাংৱাইরম অমা থেংনখি। উনখি।

লাইনীং লাইশোনদা থাজদ্রবা ঐনা নোংথকলোমদা য়েংদুনা মুরুম মুরুম শোন্দুনা করি কান্নগনি! ঐনসু হায়নীংদে মানসু তানীংলোই। লাই হায়বদু নোংমতফাও ঐগী মঙদা লাক্তে। তাইবঙপান্দসু থেংনদে। নোংফাদোক তূল্লমদাইকাদি শক্লাইদবা কনাগুম্বা অমা নীংশিংলকই। চোকথরবা থৱায়গী মরুপ-মপাং ওই করি ওই।

থাজদনা ক্বাক খোংলিসিবু করিগীনো? শাবাও লানবাও লৈবরা? মমীৎতা কনা-কানি উবজাৎলা? ঙসি মরিনি মঙানিসি মকু অথুবী অমা হেক হেক খোঙলিবসি করিগীনো? মকুম মথা শুরবজাৎলা? মপাং শেৎন-খায়নবজাৎলা? জুদগীবু নাম্থোরক্লকপরা?

কদাইদনো নঙবু?

লাংবন থাদা লমখুনু চাক্তাবা মরক্তবু য়াওব্রা? লকানুংদা চঙদুনা ঐনা থিজৈ। অথেঙবা অহিংদা। লাক্লো। নঙবু কদাইদা লৈবগে?

চহী ১৬ শুবদা মঙায়রিবনি। করিগীনো মানা সুক থেংলফাওবা য়ূমদা হঞ্জিল্লক্ত্রিবসে? কনাগীদবু লৈরিবনো? কনাগবু খোঙবু ওইরিবনো? অমম- অথেঙবদা করিবু থোক্লিগবা? মপা, মচিন-মনাও লোইনা তূমখ্রে। নীংথম থাগী ঈংখ্রবা মতমদা থেঙলবা অহিংফাও হঞ্জিল্লক্ত্রিবা মচা ঙাইরি চায়াম পোকপী মমা অমনা। থৌলৈতনা থৌথিবী হায়বীগেরা। মমানিনা নুংশিদুনা মচাবু ঙাইরি। হেক লাকপগা চৈগে ঙসিদি খঙনি।

**-কাংজম রাধাকুমার**

**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'আ!! থম্মোয় লকানুংদগী' দগী লৌখৎচবা)**

# লৌশিং শিংবা তান্নবা

থায়না মমাংঙৈদা খুঙ্গং অমদা য়াম্না চান্নবা নুংশিননা হৌমিন কামিন্নবা চাউবা, চাউভল, চাউনু, চাউতোন কৌবা মরুপ মরিখক লৈরম্মী। মখোয় মরিসি নহা ওইরিঙৈদগী তিন্নরকপা ওইবনা ইতাও ইতাও কৌনৈ। নোংমা মখোয় মরিনা খুঙ্গং লান্না কোয়মিন্নবদা মশক মতৌ ফজবী লৈশাবী অমা তুরেলদা ঈশিং শোক্তুনা লৈরম্বদু থেংনরম্মী। মশক ফজবী লৈশাবী অদু উবদা মখোয় মরি চপ চপ লেপ্তুনা লৈশাবী অদুদা য়েংই, ফজৈ ফজৈ হায়না মচিন্দা শোন্নরম্মী। মশক ফজবী লৈশাবী অদু পামদুনা মখোয় মখোয়গী মপূক্লিংদা লৌগে খন্নরবসু মচিন্দদি হায়দোক্লখিদে। মথংগী নুমিৎতগী মরুপ মরি অদু পূন্না চৎমিন্নবা তোক্তুনা মখোয় মশেল অমনা অমবু খঙহন্দনা লোন্না লৈশাবী অদুগী য়ূমদা লাক্তুনা কোয়রম্মী। নুংশিনরবা মরুপ মরি অসিনা লৈশাবী অদু পাম্বদগী লোন্না থুপ্না মতোম মতোমতা কোয়নরকপসি থা অহুম ফাজিল্লক্লবদা লৈশাবী অদুসু মতোমতা ৱাখল তৌরক্লে। ঐবু কোয়রিবা নুপা মরি অসি য়াম্না লুনা নুংশিননা তিন্নবা মরুপ ঙাক্তনি ইতাও ইতাও কৌনদুনা চাক্লুক অমত্তদা চামিন্নবনি। মখোয় মরিনা অমনা অমবু খঙহন্দনা ঐবু লৌগে খন্দুনা লোন্না থুপ্না কোয়নরিবসি, নোংমা নৎত্রগা নোংমদি মখোয় মশেল খঙনরক্কনি। মখোয়না খঙনরক্তুনা শাউনদ্রিঙৈদা ঐনা লৌশিং তৌদুনা মখোয় মরিসি খঙহল্লগে। মখোয় মরিগী মনুংদা খ্বাইদগী লৌশিং শিংবা নুপা অদু খল্লগা মঙোন্দা ঐ লৈগে। অসি খল্লদুনা লৌশিং শিংবী লৈশাবী অদুনা নোংমদি মাবু কোয়রিবা চাউবা কৌবা নুপা অদুনা অয়ূক্তা লাকপদা 'হা তাদা চাউবা! নচলবু নুংশিবীদুনা কোয়রিবসি থা অহুম ফাজিল্লক্লে, ঐসু তূমিন্না লৈথোকপা ইকায়রে। ঐবু থাঙ্গৈশেংনা লৌবীগে খল্লবদি হংচিৎ নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা ঐগী য়ূমগী মনীংগী লৈপল ৱাংমদা মী উহন্দনা লোন্না লুমদুনা লৈবিয়ু। ঐবু পোকপী ইমানা তূমখ্রবা মতমদা ঐনা শুমাংদা থোরল্লগা তাদা থোকপীরক্লো মতম ওইরে হায়জরকপা মতমদা ঐগী ইনাক্তা লাকপীয়ু তাদাগী নতুং ইঞ্জগে। অসুম্না মতাও অহুমদুসু অমমমদা কৌরগা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা মী উহন্দনা মাগী য়ূমগী ইংখোল ৱাংমদা লোন্না লুমদুনা লৈবিয়ু। ঐনা শুমাংদা থোরল্লগা তাদা থোকপীরকলো মতম ওইরে হায়জরকপা মতমদা ঐগী ইনাক্তা লাকপীয়ু তাদগী নতুং ইনজগে হায়না পাওমেন্নদুনা মখোয় মখোয়না লোৎতুনা লৈগদবা মফমদু খঙহল্লে। মশক ফজবী লৈশাবী অদু পাম্বদগী মরুপ মরিদো মখোয় মখোয়দা থারকপা মতম লোৎকদবা মফমদু অমনা অমদা হায়দোক্লখিদে, হায়নখিবা নুমিৎতু ৱানা ঙাইদুনা লৈনখি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা চাউবা লাক্তুনা লৈশাবীগী য়ূমগী মনীংথংবা লৈপল ৱাংমদা লোন্না লুমদুনা লৈখ্রে। ঙহাক লৈরগা চাউভল লাক্তুনা অৱাং থংবা লৈপলগী ৱাংমদা লোন্না লুমদুনা লৈখি। চাউনুসু মখা থংবা লৈপলগী ৱাংমদা লোন্না লাল্লগা লুমদুনা লৈখ্রে। চাউতোনদি থেংনা লাক্তুনা কোম্থোং ৱাংমদা হঙ্গৎ হন্দা চৎতুনা লৈখি।

নুমিৎ তাখিদুনা মমশিল্লক্লবা মীৱা মপাউ তানরক্ত্রবা মমা লুখ্রাবীনা তূমখ্রবা মতমদা লৈশাবী অদু ইমুংদগী থোরল্লগা শুমাংদা লেপ্তুনা মায়কৈ মরি ওন্দুনা কৌরকই। "হো তাদা থোকপীরকলো মতম ওইরে, তাদগী নতুং ইনজরগে" হায়না লাউরকপা মখোলদু তাবদা মায়কৈ মরিদা লোন্না লুমদুনা লৈরিবা মরুপ মরিদু শুমাং তান্না চেনশিন্নরক্তুনা লৈশাবী অদুবু কোয়শিল্লরে। মরুপ মরিদু মমমদুনা মশক উনদ্রবসু মখোল তানবদা খঙনরদুনা ইতাও ইতাও কৌনদুনা ইশি শিনা নোক্লরে। লৈশাবী অদুগী মরৌশিং মথৌনা শিল্লিবা থৌশিল থৌওং অদু উবদা মরুপ মরিদু পেল্লদুনা লৌশিং শিংবী লৈশাবী অদু থাগৎলক্লে। চাউবনা মতাও অহুম য়েংলগা "ইতাও অহুম্মক! করিসু লৈত্রবী লৈশাবীগী লাংদা ঐখোয় মরি থুরে, অদুনা ঐখোয় মরিগী মনুংদা খন্নরগা মাবু লৌদবা য়াদ্রে' হায়রক্লে। লৈশাবীনা শাউবীখিনু তাদা মরিমক। নখোয় মরিবু ঐনা চপ মান্ননা নুংশিজৈ নচলগী নীংজরিবা অসিদদি থুংহনবীয়ু। তাদা মরিনা লৌশিং তান্নদুনা ঐগী ইমাঙদা পাখোং চন্নবীয়ু। পাখোং চন্নবদা খ্বাইদগী লৌশিং শিংবা নুপা অদুদা ঐ লৈজগে ৱারৌনবীগনু হায়রকপা লৈশাবীগী ৱাদু তাবদা মরুপ মরিদু য়ানীংলে, পাখোং চন্নরসি লেপ্পরে। মখোয় মরিদু মাঙ্গোন্দা কাখৎলগা মমায় মমায় ওনশিন্নদুনা ফম্মিন্নরে, মমা লুখ্রাবীনা কৈরোয় লৈকায়গী অহল খরসু কৌরুদুনা থুংলরে, লৈশাবীবু পোকপী মমা লুখ্রাবী অদুসু মমা মচা ফম্মিন্নরে।

চাউবনা ইহান হান্না পাখোং চল্লকই। "ইতাও অহুম্মক! ঐবু পোকপা ইপানা ইঙ্খোন্দা চাউরবা হৈনৌ উপাম্বী অমা থারম্মী। ইপানা শিখ্রবদা ঐনা হি অমা শাগে খন্দুনা ইপানা থারম্বা হৈনৌ উপাম্বী অদু ইতোমতনা য়ানবদা থা অমা ফানিংচিৎ চঙই। হৈনৌ উপাম্বী অদুনা তুদুনা লৈবাক্তা তারবদা শাংমল্লি মতোন ককথৎকে খন্দুনা ঐনা অয়ূক অঙনবদগী চাকঙন চারগা শিংজং অমা পায়রগা উকোক্তগী উতোন য়ৌনবা চৎপদা উয়াই য়ৌরকপদা নুমিৎ তাথোকখিদুনা উদা ঙাদুনা অহিং অদু লেল্লে। নোং হেক ঙানবগা শিংজং অদু পায়দুনা অমুক উতোন তান্না চৎপদা নুমিৎ তারমদাইদা উতোন য়ৌরে ককপদি ঙমহৌদে। নোংঙাল্লগা উতোন অদু ককলে। হৈনৌ পাম্বী অদু য়ানবদগীনা উতোন ককপা ফাওবদা থা অমা হেন্না চঙই। হৈনৌ পাম্বী অদুগী চাউবা শাংবদি ইতাও অহুম্না খন্নরগা লেপ্পীরো। মতাও চাউবগী পাখোংদু তাবদা মখোয় অহুমদু ঙক্লে, ইতাওবু পোকপা বাজিনা থারম্বা হৈনৌ পাম্বীদু ওম্থোক্লা চাউখ্রেদা অদুক চাউবা হৈনৌ পাম্বীদি ঐখোয় অমুক্তা উদ্রি হায়নরক্লে।

মতাও চাউবগী পাখোং তারগা চাউভলনা পাখোং অমা চল্লকই ইতাও অহুম্মক! ঐবু পোকপা ইপানা ইরোই অমা লোয়রম্মী। ইরোই অদু য়াম্না চাউই। ইরোইগী মকোক্তা হৌবা মচি অনীদুসু য়াম্না লাপনৈ। নোংমা ইরোইগী য়েৎথংবা মচি মতোন্দা তোংবা উরোক অমনা অয়ূক অঙনবদগী ওইথংবা মচি মতোল তান্না পায়বদা য়ৌবা ঙমদদুনা ইরোইগী মকোক্কী চিরক্তা অহিং অদু লেকই। নোংঙাল্লগা অমুক পাইবদা ওইথংবা মচি মতোনদা হেক থুংবগা নুমিৎ তাখি। মচি অমগা অমগা লাপ্নরিবা অদু খনবীরগা ইতাও অহুম্না ইরোইগী চাউবা শাংবা ৱাংবা লেপ্পীয়ু হায়রক্লে। মতাও চাউভলগী ৱাদু তাবদা মরুপ অহুমদু ঙক্লে, ইতাওগী বাজিনা লোয়রম্বা ইরোই অদু ওম্থোক্লা চাউখ্রেদা হায়নরক্লে।

ঙহাক লৈরগা চাউনুসু পাখোং অমা চল্লক্লে। ইতাও অহুম্মক! ঐবু পোকপা ইপানসু ঐগী লৈননবা কা তরানিথোই শাংবা চাউরবা য়ূমজাউ অমা শাবীরম্মী। নোংমদি ঐনা শুমজিৎ অমা পায়রগা অয়ূক অঙনবদা হৌগৎতুনা মাঙ্গোন্দগী ইমুং তান্না ৱাইশিৎপদা য়ূমজাউ অদুগী য়ূময়ায় য়ৌরকপদা নুমিৎ তাথোকখিদুনা মফম অদুদা শুমজিৎ অদু থনল্লে। নোংঙাল্লগা শুমজিৎ অদু পায়রগা য়ূময়ায়দগী লেপ্তুনা অমুক শিৎপনা মনীং থংবা চাকখুমকা য়ৌবদা নুমিৎ তাশিল্লক্তুনা ৱাই শিৎপা থুংবা ঙমহৌদে। বাজিনা শাবিরম্বা য়ুজাউ অসিগী মরাক ময়ুং ৱাংবা চাউবদি ইতাও অহুম্না খন্নবীরগা লেপ্পীয়ু হায়রকপা মতাও চাউনুগী ৱাদু তাবদা মখোয় অহুম্না বাজিনা শাবিরম্বা য়ূমজাউদু ওম্থোক্লা চাউখ্রেদা ঙাঙনৈ।

অসুম্না মতাও অহুমগী লৌশিং শিংবা তান্নবা পাখোংদু তারগা চাউতোনদু পাখোং চনবা ঙমদদুনা মরূ লুক্তুনা তরেৎ তরা থোক্লা ৱাখল তৌদুনা লৈখ্রে। মরুপ অহুম্না ইতাও চাউতোন নহাক্কী পাখোং চল্লো তারসি হায়রক্লে, লুখ্রাবী মমা মচাসু চাউতোন্দা য়েংদুনা লৈরে। লৈশাবী অদুনা মপূক্লিংদা খোয়দাজনা পামজবা চাউতোননি, অদুবু পাখোং চনবা ঙমদদুনা মায়থীরগদ্রা মাগী নীংবা কায়রগদ্রা খল্লুবদা লৈশাবী অদু মথৱায় ৱারে। ঙহাক তূমিন তূমিন লৈনরুরগা চাউতোন্না পাখোং চল্লগে খল্লদুনা মতাও অহুম্বু য়েংলগা "ইতাও অহুম্মক! তাবিরো ঐ পাখোং চল্লগে। ইতাও অহুম্বু পোকপা বাজি অহুম্না থম্বীরম্বগুম ঐবু পোকপা ইপানসু ঐগীদমক্তা চাউরবা পুঙজাও অমা তিংদুনা থম্বীরম্মী। পুঙজাও অদু অসুক্কী মতিক চাউখ্রে। ঐনা নোং হেক ঙানবগা পুঙগী পুঙনাওদা খূৎনা তাং থাদুনা য়ৈরম্লগা পুঙলুদা অমুক য়ৈগে চৎপদা পুঙগী পুঙয়াই য়ৌরকপদা নুমিৎ তাখি। নোংঙাল্লগা লেপ্তুনা চৎতুনা পুঙলুদা খূৎনা তাং থাদুনা য়ৈবদা নুমিৎ তাবগা চপ মান্নে। মতাও চাউতোনগী ৱাদু তাবদা মরুপ অহুমদো মমিৎ খৎনদুনা হংসি লেপ্পরে। ইতাওগী বাজিনা শারম্বা অদুক চাউরবা পুঙজাও অদুবু কদাইদগী উ লৌরুরগা হুৎতুনা শাবা পুঙনো হায়না চাউবনা হংলক্লে। চাউতোন্না থৌনা ফনা পাউখুম পীরকই। ইতাও চাউবগী বাজিনা থারম্বা চাউরবা হৈনৌ পাম্বী অদু হুৎলগা ইতাও চাউভলগী বাজিনা লোয়রম্বা ইরোই অদুগী মউন্না তিংবা পূঙনি। পুঙ অদু তিংবদা চহী অমা চঙই। অদুক চাউবা পুঙজাও অদু লমহাংদা হুন্দোক্তুনা থম্বরা কদায়দা থম্বগে হায়না চাউনুনা হংলক্লুবদা চাউতোননা ইশি শিনা নোক্লগা খুন্নকই। ঐগী বাজিনা থম্বীরম্বা পুঙজাউ অদু ইতাও চাউনুগী বাজিনা শাবিরম্বা য়ূমজাউ অদুদা খুলগী মীয়াম্না চিংশিন্দুনা থম্মী। মতাও চাউতোনগী পাউখুমদু তাবদা মরুপ অহুমদো ৱা মখা তাবা ঙম্নদদুনা মরূ লুক্তুনা লৈনখি। পাখোং তারিবা খুলগী অহল লমনশিংনা খন্নবদা লৌশিং শিংবা তান্নবগী পাখোং চন্নবদা চাউতোনগী পাখোংনা হেল্লে লেপ্পরদুনা মশক মতৌ ফজবী লৈশাবী অদু খুদক্তা চাউতোনদা লুহোংবীরে। নুমিৎ অদুদগী লুখ্রাবী ময়ূমদা চাউতোন অদু য়াওং ইন্দুনা লৈরে। লুখ্রাবী মমা মচাসু লৌশিং শিংবা চাউতোনগা নুংঙাইনা পানমিন্নখি।

**-সরাংথেম বরমনি, সাহিত্য ভুষন**

**(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'চীং-তমগী ফুঙ্গা ৱারী' দগী লৌখৎচবা)**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।